# কৈরাকথাবী বারুনি মহাদেব পুজাগী পাউজেল

খ্বাইরাকপম নবকুমার সিংহ
প্রসিদেন্ট, কৈরাকথাবী বারুনি মহাদেব সমিতি, নিংথৌখোং বিষ্ণুপুর জিলা, মণিপুর

*বিশ্ব* হিন্দু পরিষদ নিংথৌখোং শাখাগী কার্য়কর্তাশিংনা হৌখিবা কুমজা ১৯৭৮ লমতা থাগী ২৭ নি পানবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা কৈরাকথাবী বারুনি মহাদেব পুজাগী থৌরম মতম কুইনদগী লেপলুরবা অদুগীদমক অমুক নৌহৌননা হৌননবগীদমক কমিটি অমা শেমদুনা নিংথিনা থৌরাং তৌরবা মতুংদা হৌখিবা কুমজা ১৯৭৯ দগী ২০১৬ ফাওবা চহী ৩৮ অসি খুদোংথীবা কয়া মায়োক্লবগা লোয়ননা পুজাগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি। কুমসিসু কুমজা ২০১৭ কী মার্চ ২৬ লমতা থাগী ২৮ নি পানবা নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ৫ দগী পুজা থৌরম হৌজরগনি। লোয়ননা খুভম অসিদা ভগবানগী মন্দির অমা শাগৎনবগী থৌরাং তৌরি। থৌরাং অসিদসু অদোমগী অঙন্বা মতেং পীবিয়ু হায়দুনা পুজা কমিটিগী মায়কৈদগী খুরুমজরি। খুভম অসিগীদমক মখাদা শল্লপ্পা ৱারোল খরদং থমজরি।

**কৈরাকথাবী বারুনি মহাদেব** ঃ- ঙসি লমদম অসিদা মহৌশাদগী লৈজরক্লবা মীওইবগী পুন্সি খোঙচৎকা লোয়নদুনা লৈরগদবা চৎনরোল, চৎন-পথাপ কয়াবু য়োকখৎনবগী অনৌবা থৌদাং অমা হৌখিবা মীরোল কয়ানা শেম শাদুনা থন্বীরল্লবা অসিবু হৌজিক লৈরিবা মীরোলনসু ঙাক শেন্দুনা থন্বগী মথৌ তারি।

কৈরাকথাবী বারুনি মহাদেবগী খুভম অসিনসু মণিপুরদা হিংমিন্নরিবা চীংমী-তম্মী অনীমকপু চান্ন-চিন্ননা লৈমিন্নবগী মচাক ওইহল্লি। কৈরাকথাবী বারুনি মহাদেবগী খুভম অসি হৌখিবা মীরোল কয়াগী মমাঙদগী লৈরকখি। নিংথৌখোং মনিংগী চীংশাং লোক্তাক প্রোজেক্ট ওফিসকীনা অৱাং নোংচুপ পাঙনা লৈবা অদুগা চিরু খুঞ্জাওগীনা খা নোংপোক পাঙনা লৈবা মহৌশাগী ফজরবা মপূং ফারবা উচাল পান্বীশিংনা লৈতেংলবা খোঙ লন্বী খক্তসু লৈবা ফজবা খুদেংগী মওং মানবা চীঙ্গোল অসিদা কৈরাকথাবী বারুনি মহাদেবগী খুভম লৈরি। খুভম অসিদা নূংগী মীত্তম লৈমায়দগী ফুট ৬-৩০ ৱাংই, লৈনুংদা ফুট ৩-৩০ অদুগা পাকপনা ফুট ২-৩০ অসিগুম্বা মীত্তম অমা মায়োন্না খা নোংচুপ পাঙনা ওন্দুনা য়ুংদুনা লৈরি। মখোংদা থায়নদগী লৈরক্লবা নূংপাক অমসু লৈরি। খুভম অসিগী নোংচুপ পাঙবদা চরোই লোক কৌবা মতম চুপ্পদা ঈশিং কংবা নাইদ্রবা তুরেল মচা অমসু খা নোংপোক পাঙনা ঈচেল লেপ্তুনা চেল্লি। তুরেল মচা অসিগী ঈচেল লোইফম খঙদে। মমাঙঙৈগী অহল-লমনশিংনা তাকপীরম্বগী মতুং ইন্না তুরেল মচা অসিগী ঈচেলগা লোয়ননা য়াম্না লুবা মী চঙবা য়াবা শুরুং অমসু লৈরম্মী হায়। শুরুং অসি ফুবালা খুলগী মমাঙদা লৈবা লোক্তাক পাৎকী শরুক খরদা হিরুপ কৌবা মফম অমা হায়রিবা শুরুং অসি ফাওদোকই হায়দুনা থোকচোম ইবোতোন সিংহ চহী ৯৭ শুরবা অহল অসিনা কুমজা ১৯৮২ দা তাকপীরম্মী।

খুভম অসিগী নোংপোক থংবদা লোক্তাক প্রোজেক্টকী লৈমতাক তাবা মরুওইবা লন্বী লৈ। মসিগা হেক থংননা লোকচাও কৌবা অচৌবা তুরেল অমা মখা-নোংপোক পাঙনা চেন্থদুনা অমসু লৈরি। তুরেল অসিগী হৌরকফমগী ৱারী চাউনা লৈরি। অসুম্না হায়বিরম্বা লৈ অদুঙৈ শিবা মহাদেবনা ইমা ইবেম্মা দুর্গাগা মণিপুরদা খোঙদারকখি। মতমদুদা মণিপুর তম্পাক অসি ঈশিংনা পীক থন্না লৈরমখি। ভগবানগী লীলা শান্নবা য়াররোই খন্দুনা মহাদেবগী ত্রিশুলগী শক্তিনা হুৎলগা ঈশিং পূম্নমক কংহন্দুনা থমখি। মসিবু হৌজিক চীংনিংহুৎ হায়না খঙনরিবা অসিনি অমসুং নিংথিরবা মনি-মুক্তাশিং থোকফমনি খন্দুনা মণিপুর হায়না মিংথোন্দুনা মণিপুর ভগৱান শ্রী কৃষ্ণগী রাস লীলা লিংখৎখি হায়বগী ৱারী চাউনা লৈখ্রে।

লোয়ননা ঈশিং থৈদোক্লবা পল থিংবদা ঙরা কৌবা ঙা অমা চপখি হায়দুনা মফম অসিবু ঙরা চীংজিন চীংশাং হায়না খঙনরিবনি। চীঙু মানা লাইমতোন চীংজাউ মিং থোল্লমখি। অদুদগী চীঙু মানা লায়াম পূম্নমক কৌদুনা জীব পানবা খুদিংগসু লোয়ননা লোকচাও হায়না কৌবা তুরেল অসি তৌখি। তুরেল অসিগী ঈচেলনা জুৱার কাদুনা তাইবঙ জীব খুদিংদা তুরেল অসিবু অশেংবা তীর্থনি শক্তাকখি। অসুম্না চীঙু মানা চিরু চিংশাং লাকপদা পোখারম্বা মফম অসিবু কৈরাকথাবী বারুনি হায়না কৌখি হায়। লোকচাউ তুরেলদগী বারুনি খুভম তাবা লন্বী অসি কৈরাক্কী মওং মানবা খোঙ লন্বী খক ওইরমখি। লোকচাউ তুরেল অসি তৌবা য়াওখিদবশিং তুরেলগী ঈশিং থকপা য়াদবা জীবশিংগী মনুংদা চেক্লা নোংগৌবী ওইরল্লে। মসিগী ৱারীসু চাউনা লৈরল্লে। লোয়ননা সনাথোং তুরেল অমসুং খুভম অসিবু কোয়রিবা তুরেল মচা অসিগী মমিং চরোইলোক থোনখিবগী ৱারীসু চাউনা লৈখ্রে।

মথংগী খোঙচৎতা ভগৱান শিবনা কবুই সলাং মাইবগী শায়োন লৌদুনা মণিপুরগী চীংশাংশিং কোয়রকখিবদা মোইরাংগী নোংচুপ থংবা চীংশাংগী মফম কয়ামুক্তা লৈরিবা কবুই সলাং মাইবগী খুদমগী মশক ওইরিবা খুভমশিং অসি পাংয়াং মনিং, সিয়াংগী অৱাংদা লৈরিবা নুংগী উপু, হুই কুনফম নূংপাক, সলাং মাইবনা তূম্বদা খাঙলম্বা নূংগী মোন, উরংফাই পন্থোংদা লৈরিবা নূংগী





পরেং, মাওবী লোক, তিন্বী লোক স্নামাইলোক্তা য়ুংলম্বা নূংগী মীত্তমশিং অমদি হঙোইপাৎ পন্থোং চীংয়াদা লৈরিবা নূংগী পরেংশিং অসিনা খুদম ওইবা ৱারীশিং ওন্থোক্লা পাক-চাউখ্রে। (সলাং মাইবগী পোকফমদি ঙাংখ্রৱাই মনিং চমং খন্দনি)। মথং-মথং কোয়রকপনা ঙারা চীংজিন্দা পোত্থাকখিবা অমসুং চরোইলোক তুরেলদা ঈশিং থক্লগা বারুনি খুভমদা পোত্থাদুনা লৈবদা মহাক্কী ফুরিৎখাওদা হাপ্লকপা নূং অহুম খুভম অসিদা থমলমখি। হৌজিক লৈরিবা নূংগী মীত্তম অসিমক্লি। অদুগী চীংশাং কোয়খিবনা লাইমতোন ফৌরুংগী ৱারী, লুখ্রাবী য়ুম্ফমগী ৱারী, লাইমতোন চীংদোন্দা মহাক্লা পোত্থারম্বগী ৱারী ওন্থোক্লা পাক চাউখ্রে।

অসুম্না মীরোল কয়াগী, চক কয়াদগী পুজাগী থৌরমশিং পাঙথোক্তুনা লেপ্পা লৈতনা লাকখিবা লোকচাউ তুরেল তীর্থনা শাগোন্নবা লৈতেংলবা কৈরাকথাবী বারুনি মহাদেবগী খুভম অসি হৌখিবা কুমজা ১৯৮০ গী মমাঙ চহী ৩৪ মুক অসি পুজাগী থৌরমশিং লেপ্তুনা লাকখি। মফম অসিদা চীংমী চিরুগী ইচিন-ইনাও খরনা খুভমগী মীত্তমনচিংবা উ-ৱা পূম্নমক মাঙহনখিদুনা য়ূম ৫ খক খুন্দাদুনা লৈখিরমলে।

**অইবগী ৱারোল** ঃ- হৌখিবা কুমজা ১৯৭৯ দগী বিশ্ব পরিষদ বিষ্ণুপুর জিলাদা থবক তৌরকখিবদা মণিপুরগী মফম কয়াদা হিন্দু মন্দির থুগায়বা, মৈ থাবা, মীত্তম কয়া থুদেকপা, মাঙহনবা, হুরানবা মখল কয়াগী থৌদোক ৱাথোক্কী কন্না লান্থেংনবা মতমনি। চুড়াচান্দপুরদা রাধা কৃষ্ণগী মন্দির, মান্দোপ মৈনা তুম্না চাকখিবা পঞ্জাবীশিংগী গুরুদ্বার মন্দির শাহনখিদবা, চুড়াচান্দপুর বজার মনুংগী দুকানশিংদা থেৎপা মীত্তম লাইশিং মথক মখা ওনবা থেৎহন্দবা, খোয়জুমানগী রাধা কৃষ্ণগী মীত্তমশিং থুদেক্লগা পুখ্রি অচৌবদা থাদরগা থল্লমখিবা লোয়ননা বিষ্ণুপুরগী অবদৈত্যগী মীত্তম হুরানখিদুনা থাঙ্গাল হাওখুলগী ইমুং অমগী লপতা বিলামাটি বোরা অমদা মীত্তম অদুগী য়েৎ থংবা পান্থোম থুদেক্লগা হাপচিন্দুনা থল্লমখিবা অসিগুম্বা মখল কয়াগী লান্থেং অসিদা মতমদুগী হায়বদি কুমজা ১৯৭৮/৭৯ কী হৌখিবা চহী ৭/৮ গী মমাঙদগী মাঙশিল্লক্লবা কৈরাকথাবী বারুনি মহাদেবগী খুভমগী মরমদা মতমদুদা তোয়না ইথিল ফাওরকখি। মতমদুদা খুভম অসিগী মরমদা কনাগুম্বা অমত্তনা থিজিন-খোমজিনবগী ৱাখল অমত্তা লৈখিদে। বিশ্ব হিন্দু পরিষদ বিষ্ণুপুর জিলাগী অমদি ষ্টেট সমিটিগী মীফমদা পুথোক্তুনা খন্না নৈনখি।

কুমজা ১৯৮০ গী ফেব্রুৱারী ২৫ গী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদুগী আর কে কার্তাসনা সিংহগা ঐহাক্না বারুনিগী খুভম থিরুনবগীদমক খোঙনা চৎখি। নোং চিং থাংদবা অতিয়া মতম ইশেং শেংবা মতমনি। য়াম্না ৱানা অশোংবা উরক-নারক্তা বারুনি মহাদেবগী চিংখোল য়ৌরকখি। মতমদু মমশিল্লকখ্রে, খুভম থিবদা চীংদোল য়ৌরে। ইখঙ খঙহৌদনা নোং নুংশিৎ কন্না তৌরকখি। মমশিল্লকপনা লন্বী মফম খঙদ্রে। অৱাবগী মশকনি। নোংথাং কুপ্লকপগী মঙালদা নোং চোৎনা চোৎনা চীংগোলদগী কুপ্লকখি। অমম্বা অদুদা মাদুনা লাকপদা ফৌদেম অমা থেংনখি। নোংথাং কুপ্লকপা মতমদা লম্পাক অদু হান্না য়ূম শারম্বগী শিদোকখিবগী মওং থেংনখি। মথং মথং কুপ্লকপদা হৌজিক মীত্তম য়ুংলিবা মফম অদুদা অমম্বা নারক্তা মীত্তম অসি লৈবাক নাপীনা কুপশিল্লগা নূংপাক অচৌবা অমখক থেংনখি। মাদুনা য়েংবদা মীত্তমদু শোয়দনা ওইরম্বা য়াই খল্লে। মতমদু নুমিদাংগী পুং ৭.৩০ মুক তারে লোয়ননা খোংলম মচা অমা থেংনদুনা য়াম্না ৱানা খা আইমোল খুল য়ৌরকখি। মতমদুদা আইমোল খুলদা লাকপগী লন্বীদা নোং তাখিবগী খুদম অমত্তা ফংখিদে। আইমোলগী ইমুং অমদা অচোৎপা ফিরোলশিং কংহল্লবা মতুংদা লন্বীদা টোর্চলাইট অমা লৌননবা আইমোলগী চোমলাং 'তোম্বা' কৌবা অমগী য়ূমদা চঙখি।

মতম অদুদা খুন্দুগী নুপা-নুপী অয়াম্বা ইমুং মাঙ্গোল পিক থন্না চোংলাংগী নুপী শিরগনি হায়দুনা খৃষ্টান লাইনীং লাইশোন তৌদুনা লৈরম্মী। ঐখোয়না ইমুং চঙখিবদা ফমুংদা মচা ময়াম্না কোয়শিল্লগা ইমা শিরগদবনি হায়দুনা য়েংদুনা লৈরম্মী। মাইগৈ অমদা ইমুং অদুগী সনামহী কাচিন্দা য়াম্না ফজবা পুজাগী থৌরাং লৈরম্মী। নাচৌদগী মাইবা অমনা পুং খুদিংগী য়েন অমমম থৌ তৌরম্মী। অনাবগী নাহেবা মখোল তাই হায়দুনা য়েংলুবদা অনাবদু ঈ হাথবগী লায়না ওইরম্মী। ফিরোল পূম্নমক ঈনা লুপ্লম্মী। য়াম্না থুনা চোমলাংগা ৱারী শান্নবদগী ডোক্তরগী চে-চাং মরাং কায়না লৈরম্মী। মখোয়দি শিরগদবনি হায়দুনা হীদাক পীজরমদে। হীদাকশিং অদুদগী হীদাক অনীখক খল্লগা পীজরম্মী। মিনিট ১৫ গী মতুংদা অনাবদু ঈ হাথবা খকলম্মী অমসুং ৱা ঙাঙবা ঙম্লকলম্মী। ইমা হায়না কৌবদা খুল্লকখি। অসুম্না হায়রকখি - নঙ লাক্কনি হায়না ঙাইরল্লিবনি। ঐ হৌজিক অনাবা ফরনি। য়াম্না থুনমক অহিং অদুদা গাড়ীগী থৌরাং তৌদুনা পুং ১১ তাবদা লম্ফেল হোস্পিটালদা পুদুনা লায়েংবদগী নুমিৎ হুমনিগী মনুংদা অনাবা অদু ফখ্রে। অসুম্না নুমিদাং পুং ১২.২০ দা য়ূমদা য়ৌরকখি।

অসুম্না মথংগী নুমিৎ 'ফেব্রুৱারী ২৪, নোংমাইজিং' তা নহারোল ময়াম চৎলগা খুভমগী অকোয়বা শেংদোক্তুনা মীত্তম য়ুংখৎখি, অতৈ মীত্তমশিং খোমজিনখি। মীত্তমগী মখোঙদা লৈরিবা নূংপাক অচৌবসি খুভমগী নোংচুপ থংবা লোকখাদা লৈরম্বদগী মীয়াম্না পুখৎলকখি। মীত্তম অসি য়ুংখৎলিঙৈ মনুংদা চেরুগী অহল ওইরবা থোইতাকবান চেরু হৌজিক হিংদুনা লৈরিবা চহী ৮২ শুরবা অসিনা লেংবীরক্তুনা মীত্তম য়ুংবগী মতাংদা মায়োন্নচিংবগী অকূপ্পা মরোলশিং মখাদা পীজরি লোয়ননা লাইওইখ্রবা অহল কয়ানা তাকপীরম্মী অসুম্না হৌজিক হিংদুনা লৈরিবা মখোয়না মীত্তমসিগী মরমদা থেংনবিরকপা অয়াম্বা মখাদা খঙহঞ্জরি।

**মীত্তম ফংবা অমসুং য়ুংখৎপগী থৌরাংদা** ঃ- অহানবদা বিশ্ব হিন্দু পরিষদকী ভক্ত নহারোল ২০ মুক্না খুভমগী অকোয়বা শেংদোক্তুনা শেম শাখি অমসুং মীত্তম অসি লৈবাক নাপীনা পুরা কুপশিন্দুনা লৈরমখি। নিংথিনা ফজনা শেংদোক্তুনা মীত্তম অসি মী ২০-২১ না য়ুংখৎনবা হোৎনখি অদুবু ঙমখিদে। তাঞ্জা অসিদা চেরুগী অহল থোইতানবান লাক্তুনা মনাক্তা ফম্লগা ময়াম্না তৌরিবদু য়েংখি অমসুং অসুম্না হায়রকখি- নখোয়না তৌনরিবা অদু য়াখিরোই, পুজা হান্না তৌখো অদুগা লায়না থাঙ্গৎপা ঙমগনি। খুদক্তুদা ময়াম্না মফমদুদা লৈরম্বা নাপী লৈনচিংবা থিরগা পুজা তৌখি, ঈশ্বরদা খুরুমজখি। মতাংদুদা য়াম্না লায়না মীওই ৬-৭ খক্তনা লেংহনবা ঙমখি।

অসুম্না চহী ৩/৪ পুজাগী থৌরম নিংথিনা পাঙথোক্লবা মতুংদা বিষ্ণুপুর জিলাগী ফোরেষ্ট ওফিসার মাধব থাপা নেপালিগা নিংথিনা তানবদগী খুভমগী মনাক্তা উচাল পান্বী খক্তগী ওইবা নরজরী ফার্ম ২/৩ খক শেমগৎতুনা চেরু খুলগী মমাঙ চিঙ্গোল অমসুং কৈরাকথাবী বারুনি মহাদেব খুভমগী অকোয়বা চিঙ্গোল অসিদা পাক শন্না উচাল পান্বী ১২,০০০ গী মথক্তা থাহনখি অমসুং বিশ্ব হিন্দু পরিষদ নিংথৌখোং শাখাগী মেম্বরশিংনা চহী খুদিংগী তেক্তা কায়দনা পুজা তৌদুনা লাক্লি। মন্দির অমা শানবগী থৌরাং য়াম্না চাউনা তৌদুনা লৈরি। অদুবু খুদোংচাদবা খরদি অদুমক চেন্নরি।

গুরুময়ূম গৌরচন্দ্র শর্ম্মা পোৎশংবমদা লৈবা হৌজিক লৈরিবা মশাগী চহী ৯২ শুরবনা অসুম্না তাকপীরম্মী - ঐহাক্না য়াম্না পীক্লিঙৈ চহী ৭/৮ শুরবগী মমাঙদগী ঐহাক্কী ইমা পোকপা ইধৌনা মতম শাংনদগী পুজাগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাকখি অমদি মমাঙদসু ইধৌবু পোকপা ইধৌনসু পুজাগী থৌরম পূম্নমক পাঙথোক্তুনা লাকখি হায়। ঐখোয়না খঙলকপদসু হৌজিক লৈরিবা লোকচাও তুরেল অসিদা ইরুজনরগা তীর্থ পুজা তর্প্পন্নচিংবা কৎনরগা কৈরাকথাবী বারুনি মহাদেবগী দর্শন তৌবা চৎনৈ। মসিদা চৎননবা লোকচাউগী নোংচুপ পাঙবদা কৈরাক মওং মানবা খোঙ লন্বী অমখক্তং লৈরম্মী। লন্বী অদুদা য়াম্না ৱানা অঙাং, অহল, নুপী-নুপা পূম্নমক ইবুংঙোগী দর্শন তৌনৈ। মাগী মাগী কীর্তন-পালা, হোলি পালা, মঞ্জিলকা পালাশিং য়াম্না লাকই। খুভমদা উয়ুং পান্বী অচৌ অচৌবা য়াম্না হৌরম্মী। মতমদুদা ফুট ৩/৪ ৱাংবা নূংগী মীত্তম অহুমখক লৈরম্মী। অদুগা লোকচাউ তাবা লন্বী কোকদান খুলগী লন্বী নাক য়েৎতা অচৌ অচৌবা উয়ুং পান্বী হৌরম্মী। উখোংশিং অদুদা পোত্থাফম অমসুং অচা অথক্কী পোৎফম হোটেল য়াম্না লৈরম্মী। বারুনি নুমিৎ অদুগী অয়ুক পুং ৪ গী মমাঙদা মী লাক্লবা হৌখি। অদুগা নুমিদাংৱাইরমগী পুং ৪-৫ ফাওবা চৎথোক চৎশিন লেপ্পা লৈখিদে।

**থোইতাকবান চেরুনা মীত্তমসিগী অমদি খুভমগী মরমদা মখাগী অসুম্না তাকপীরকখি** ঃ- বারুনি লাই অসি ঐখোয়না পীক্লিঙৈদগী অসুম লৈরম্মী। ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংগা, নিংথৌখোং, পোৎশংবম, তৌপোকপী, উপোকপীগী হৌখিবা অহলশিংগী হাক্তক্তগী চহী খুদিংগী ঐখোয়সু য়াওনা পুজা তৌরম্মী। কোকদানগী মাইবা কোকদান তোম্বা হায়না খঙনবা, আইমোনগী খেলা, লমদন, মজুবোনগী অহলশিংসু পুজাদা লাকখি। লাইফম অসিগী নোংচুপ্তা লৈবা লোক মচা অসিগী মমিং চরোই লোকচাও কৌই, মসিগী ঈশিং অসি লোইফম, তাফম খঙদে। মসিদা য়াম্না লুরবা শুরুং লৈরম্মী হায়। শুরুং অসিনা ফুবালা মমাঙগী লোক্তাক্তা ফাওনৈ হায়। মফম অদুদা ঐখোয়না উহৌবদা লোকচাও তুরেলদগী কারকপা কৈরাক মানবা খোঙ লন্বী অমখক্তং লৈরম্মী। তুরেলদুদা ইরুজরগা য়াম্না ৱানা লাই লৈফম অসিদা লাই খুরুম্বা কারক্লম্মী। লাইফম অসিদা নূংগী মীত্তম অহুমখক লৈরম্মী, ৱাংবা চাওবা মান্নদে। উয়ুং পান্বী অচৌবা ময়াম অমসু হৌরম্মী। নূংশিং অদুগী মরক্তগী হৌজিক লৈরিবা নূংজাউ অসি য়াওই। লাইফম অসিদগী নূং ময়াম অসি ফক্লগা মাঙহল্লম্মী, মফম অসিদা লৈখাবুং কৌবা নুপা অমগী মচানুপা লৈখারা কৌবা অমা, থাঙোন্না কৌবী লুখ্রাবী অমা লোয়ননা রেমিংলা কৌবা নুপা অমসু মখোয় য়ূম ৪/৫ খক শাদুনা লৈরম্মী। লাইফমগী নূংশিং মথোং খঙখিদ্রে, অচৌবা উয়ুং পান্বীশিং অমত্তা লৈখিদ্রে। মতমদুদা লম অসি কবুইশিংগী লমনি, চেরুশিংগী লমনি হায়না কন্না খৎনরম্মী। মসিনসু মরম ওইদুনা মফম অসিদা মীতৈ ময়ামদু লাই খুরুম্বা অমত্তা কারকখিদ্রে। লোকচাউদা লাই খুরুম্নরগা হন্নখ্রে, য়ূম শারম্বা কাঙবু অদু চহী ৬/৭ লৈরল্লগা লাইনা তান্থোকপরা খঙদে মফম অদু থাদোক্লম্লগা চেরু খুঞ্জাওগী নোংচুপ পাঙবা মফম অমদা য়াম্না ৱানা য়ূম ৫/৬ শাদুনা খুন্দাদুনা লৈখ্রে। মখোয় চেরু খুল্লক্তসু লৈতে। মখোয়সু ৱাখল য়াম্না নুংঙাইতনা লৈরক্লি। লাইফম লৈরিঙৈ মতমদা মখোয় চেরু খুল য়াম্না নুংঙাইরম্মী। লাইফম অসিনা চহী খুদিংগী নোংজু-নুংশাগী চাং লেপ্লম্মী। মোইরাং থাংজিংগী চীংগা লাইফমসিগা লাইমতোন চীংজাওগা মখোয় অহুম মিৎচি খৎনবা উরগা চহীগী ওইবা নোং চুবগী চাং লেপ্পা ঙম্মী। মদুনা হৌজিক নখোয়না য়ুংলিবা মীত্তমগী ফীভম অসি লাল্লি ফুক্তোকউ অদুগা মমাই অসি থাংজিং চীংজাওদা খজিক্তং ওল্লগা ফুল্লবদি ঐখোয় পূম্নমক্কী অফবা ওইগনি, ঐখোয় চেরু খুলগীসু হরাউবনি।

হৌজিক্তি নখোয়না শেমগৎ শাগৎলবনিনা চহী খুদিংগী পাঙথোক্লবা তৌরো, ঐখোয়সু মতেং পাঙগনি, ঐখোয়সু য়াম্না হরাউরে। মখা তাবা ৱারী থৌদোক কয়ামুক লৈরি, পাউজেলসিদা হাপ্পা ঙমজদবগী ৱারৌবিরোই। অসুম্না হৌখিবা চহী খুদিংগী পাঙথোকখিবগুম কুমসিসু মার্চ ২৬, নোংমাইজিং লমতা থাগী ২৮ নি পানবা নুমিত্তা থৌরম অসি পাঙথোকচগনি।

# ঐখোয় চীনগা খূৎকা মান্নহনসি

– থৌনাওজম মনোরঞ্জন সিংহ–

*লৌবাক* অসিগী ষ্টেট অমগী জেনরেল ইলেক্সন নৎত্রগা এম পিশিংগী ইলেক্সনগী ভোট থাদনদ্রিঙৈগী মমাঙদা ষ্টেট অমদা পাল্লিবা লৈঙাক অমসুং সেন্তরদা পাল্লিবা লৈঙাক অদুনা তৌখিবা থবক থৌরম অমসুং য়াৎখিবা পোথি পোরম ময়াম অদু য়েংলগা অমসুং ওপোজিসন পার্টি অদুগী মপাঙ্গল য়েংলগা লোয়না লোয়ননা মীয়ামগী ইহুল য়েংলগা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মমিং লৈরবা ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়াশিংনা লৈঙাক পায়রিবা পার্টি অদুনা সিট অসুক অমসুং ওপোজিসন পার্টিনা সিট অসুক ফংগনি হায়না অকক্লবা মীখলশিংগী ফলগী মত পীনরি।

মমাঙগী মীখলশিংগী ফলগী মতশিং অদু চাম্মদা চাম্মা চুমদ্রবসু চাম্মদা হুম্ফুতরা, মরিফুদি চুমখিবা ঙাক্তা ওইনা তৌখি। অদুবু মসি মণিপুরদা তৌরবদি ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়াশিং ফাগী তাদুনা তোক্কনি। মসিগী ময়েক লারবা খুদম হায়ববু হৌখিবা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী মীখলগী ফল অদুনি। মণিপুরদা নোংমা কাংদনা বন্দ অমসুং ব্লোকেদ তৌরিবা অসি মণিপুরদা পানখিবা লৈঙাক অসি য়ানিংদে হায়বনি। অদুবু ঙাঙলিবা তৌরিবা ময়াম অসিগী ওন্না তৈনবদা ঐখোয়না য়ানিংদে হায়না লাউরিবা পার্টি অসিগী মীহুৎ মশীংদি হেন্না থাগৎলকখি। হন্দক্তা তৌখিবা মীখলগী ফল অদুনা তাক্লিবসি ঐখোয় চিনগা খূৎকা মান্নদে হায়বনি। ঐখোয় চিনগা খূৎকা মান্নহনসি।

মণিপুরদা বন্দ, ব্লোকেদ, জেনরেল ষ্ট্রাইক, পব্লিক কার্ফিয়ু, শিন্থা লেপ্পা, টুটেল সটডাউন, ইকনমিক ব্লোকেদ অসিনচিংবা মীংথোল পীদুনা মমাঙদা পানখিবা লৈঙাকপু য়ানিংদবগী ঈহৌ কয়া হৌখি। লন্বীদা নূং, লিক্লি মচেৎ, অমোৎ অকায় পৈশিন্দুনা অমসুং উ-ৱা ফৈজিন্দুনা গাড়ী এক্সিদেন্ট থোকহল্লি অমদি চৎথোক চৎশিন্দা অপনবা থোকহল্লি। লন্বীদা টায়র মৈ থাদুনা কোয়লাসতা পোটহোল লৈহল্লি অমসুং হৱা নুংশিৎ শেংহন্দে। মী তূম্নখ্রবা অথেংবা অহিংদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাশিন-থকচিল্লুরগা লন্বীগী মতাইদা য়ুংলিবা খোটি পোষ্ট খিংদুনা নোইজ পোলুসন থোকহল্লি। চুম্না লন্বীদা মথৌ তৌজরিবা পুলিসশিংদা অকামপেৎ শীজিন্নদুনা লক্লে। লন্বীদা চুমনা থৌজবা পুলিসকী গাড়ীদা নূংদুম্না থাজিল্লি। মমাঙদা মণিপুরদা নুপী ফুবা মরাল লৈবা নুপা পুলিস মরালগা মতিক চান্নবা চৈরাক পীদে হায়দুনা লন্বী থৎতুনা চরা হেনখি। মায়কৈ অমদনা মীয়াম্না গাড়ী হুরানবা মী ফুদুনা হাৎখি। মীগী ময়ূম মৈ থাখি অমসুং মমল য়াল্লা য়াল্লবা গাড়ীশিং মৈ থাদোকখি। ইকনমিক ব্লোকেদ তৌখি, মসিগী মায়োক্তা কাউন্টর ব্লোকেদসু তৌখি। কাঙলুপ অমনা সেদ্যুল ত্রাইব ওনগদবনি হায়, কাঙলুপ অমনা সেদ্যুল ত্রাইব ওল্লোইদবনি হায়। কাঙলুপ অমনা আই এল পি এস চৎনহনগদবনি হায়, কাঙলুপ অমনা চৎনহল্লোইদবনি হায়। কাঙলুপ অমনা চুম্মী হায়, কাঙলুপ অমনা লাল্লি হায়। কাঙলুপ অমনা কুম্মৈ য়েংলি। মণিপুরদা লৈবা ঐখোয় লিংজেল মান্নদে। কাঙলুপ অমনা কাঙলুপ অমগী মায়োক্তা লৈ। মরালনা সেন্তরদা থৈজিল্লি অদুগা ঐখোয়না সেন্তরগী লীদরশিংবু বোয়কোট তৌই, মসিগী কান্নবনা করি?

মতম অমদা ইম্ফালদা নুমিদাংগী পুন্সি লৈরম্মী। অদুবু চহী ২৬ কী মমাঙদগী ইম্ফালদা নুমিদাংগী পুন্সি মাঙখ্রে। মসিগী মথক্তা ঙসিদি মণিপুরদা অয়ূক নুংথিলদা লন্বী সরক্তা নীংখা তম্না চৎপা ফংলক্ত্রে। হৌজিক্কী মতমদা লন্বীদা চৎপদা গাড়ী মমাঙদা ডোক্তর ওন দ্যুটি, অনাবা পুবা, সোরাৎ চৎপা, হায়দোকপা চৎপা, ৱারোইপোৎ পুবা, লুহোংবা চৎপা অসিনচিংবা থাদ্রবদি চৎপা য়ারক্ত্রে। মণিপুরদা লৈরিবা মীয়াম্না অপূনবনা পাঙ্গলনি হায়বদি খঙলে অদুবু পাঙ্গল অদু ঙসি ঐখোয়না লান্না শীজিন্নরি। ঐখোয়না মমাঙদা পানখিবা লৈঙাক্তা মীচম মীয়ামগী য়েংলগা পুকচেল শেংনা মথৌ তৌদে হায়না ঈহৌ কয়া হৌখি। অদুবু ঐখোয়দি করি তৌরি। অচৌবা থবক্তি লায়রদনা মীচম মীয়াম অমা ওইনা পুকচেল শেংনা শীজিন্নরিবা টোটি ঈশিংগী অমসুং লমগী খাজনা ফাওবা থিদোক্তে। ফংফম থোকপা হকখক্তমক তাল্লি, মীচম মীয়াম অমগী তৌফম থোকপা ঈথৌদি পুকচেল শেংনা তৌদে। মীচম অমসুং লৈঙাক হায়দুনা অনী থোক্লা খায়দোক্তুনা লৈগনি। মসিগী মহুত্তা পূম্নমক্লা থবক অমা পাঙথোকপা মতমদা চীনগা খূৎকা মান্নহনবা অসিনা খ্বাইদগী মরু ওই হায়জনীংই।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৭

১। মখাগী অরিবা লোনশিংসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু ঃ
(ক) লুফুই (খ) লময়ায় কাইদা খিনবা।
২। "তম্পাকলৈমা শংবানরবা পাক্লবা ঈশিং ঈপাক্না নোংমদোনগা শম্নরিবা নোংখোঙ পরেংদুদা মুন্না য়েংই।" পরেংসি ৱারীমচা ইবা কনানা হায়বনো?
৩। "হিংলিবনা কনা, শিরিবনা কনা, মহাক অমতা খঙলক্ত্রে। মফম অদুদা লেপ্লিবা মীশিং অদু মাগী মমিত্তা লৈ মনা অমমম ওইনা উরকই।" ৱাহৈশিং অসি করম্বা ৱারীমচাদগী লৌথোকপনো?
৪। বঙ্কিমচন্দ্রগী 'ধর্ম্ম তত্ত্ব' মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?
৫। 'অমেরিকাগী খোঙচত্তা' লমকোয় ৱারীসি কনানা ইবনো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ৩০, শগোলশেল নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।